ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯑꯣꯒꯁ꯭ꯠ ꯰꯵, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯲꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
নিংথৌকাবা, ওগষ্ট ০৫, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১২৮শুবা মশীং

# জে এন্দ কেদা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম

## আর্টিকল ৩৭০ অমসুং ৩৫এ লৌথোকপগী ফীভম লাক্কদৌরিব্রা

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা ইখঙ খঙহৌদনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ অমসুং ৩৫এ লৌথোকখিবা য়াই হায়বা ৱাফমদা য়ুম্ফম ওইরগা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা লৈরিবা মীয়ামদা চাউনা নুংনাংবা পোকহনবগী ফীভম লাক্লে। শ্রিনগরদা লৈবা ইন্দিয়ন আর্মিগী ১৫ কোর হেদ ক্বার্টরদা সেন্ট্রেল রিজর্ভ পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ), আর্মি অমসুং ষ্টেট পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসলশিংনা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্লবা মতুংদা ষ্টেটকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হোম) খালিদ কব্রানা অমরনাথ যাত্রাদা শরুক য়ারিবা পিলগ্রিমশিং অমসুং লম কোয়রকপা মীওই পূম্নমক খূদক্তা হনখিনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মশীং য়াম্লবা পেরামিলিটরি পর্সনেলশিং থাজিল্লকপদগী অখন্নবা থৌরাং খরা লৌখৎলক্কদৌরে হায়না মীয়ামদা চাউনা চিংনবা পোকহনখিবনি হায়রি। মীয়ামগী পূক্নিংদা চাউনা নুংনাংবা পোকহল্লিবসি সেন্টরনা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ অমসুং ৩৫ এ লৌথোক্লগা জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু শরুক অহুম থোক্লা খায়দোক্কদ্রা হায়বসিগী মতাংদনি। জম্মুবু তোখায়বা ষ্টেট অমা ওইহনবগা লোয়ননা লদাখতা য়ুনিয়ন টেরিটোরিগী ষ্টেটস পীবা অমসুং কাশ্মীর রিজনবুনা ষ্টেটহুদ পীরকপা য়াই হায়না মীপাইরবা মীয়াম্না এ টি এমদগী শেল লৌথোক্লবা হোৎনবা অমসুং চান-থক্লবা পোৎলম লৈশিনবা হোৎনবদা খূদোংচাদবা মায়োক্লরি। মপান্দগী লাকপা মীওইশিংসু মীপাইবা অমগা লোয়ননা খূদক্তা হনখিনবা থৌরাং লৌখৎনরকপদগী এরোপ্লেন টিকেট ফংনদবগা লোয়ননা জম্মুদগী দিল্লি ফাওবা পাইগদবা ফ্লাইটকী টিকেট মমল লুপা লিশীং ২০ ফাওবা য়ৌরকখি হায়রি। ষ্টেটকী গভর্ণর সত্য পাল মালিক্নদি খূৎলায় মতীক চানা পায়বা টেররিষ্ট কয়ামরুম চঙলক্কদৌরে হায়বা ইন্টেলিজেন্স রিপোর্ট অমা ফংবদগী তঙাইফদনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা অর্টিকল ৩৭০ অমসুং ৩৫ এ লৌথোকপগী মতাংদা সেন্টরনা ৱাফম অমত্তা খঙহল্লকপা লৈত্রি হায়না ফোঙদোকখি। অদুম ওইনমক মমাঙদা টেররিষ্টশিং চঙলকখিবা মতমদা মপান্দগী লাকপা মীওইশিং হলহনখিনবা ৱাফম ফোঙদোকখিদবা অমসুং পেরামিলিটরি পর্সনেল মশীং য়াম্না কৌশিনখিদবা মরম্না হন্দক্কী মতাং অসিদা সেন্টরনা অখন্নবা থৌরাং খরা লৌখৎলক্কদৌরে হায়না মীয়ামগী পূক্নিংদা মীপাইবা পোকহনবনি হায়রি।

কাশ্মীর তম্পাক্তা লাম্মী ১০,০০০ কৌশিনখিবা চয়োল ফাদ্রিঙৈদা নৌনা অমুক লাম্মী ২৫,০০০ কৌশিনখি। হান্নদগী হৌনা অমরনাথ যাত্রাগা মরী লৈননা লাম্মী ৪০,০০০ রোম লৈরবা কাশ্মীর তম্পাক্তা ইন্দিয়ন এয়র ফোর্সকী সী- ১৭ প্লেন য়াওনা এয়রক্রাফট কয়াসু থৌরাং তৌদুনা থমখি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা সেন্টরনা করিগুম্বা থৌরাং খরদি শোয়দনা লাউথোরকপা য়াই হায়না মীয়ামগী পূক্নিংদা মীপাইবা ফাওহল্লি। তোঙান-তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমসুং মীয়ামগী পূক্নিংদা খ্বাইদগী চাউনা নুংনাংবা পোক্লিবসি কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৭০ অমসুং ৩৫ এ লৌথোক্লগা জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু শরুক অহুম থোক্লা খায়দোরক্কদ্রা হায়বসিনি। ষ্টেট অসিবু শরুক অহুম থোক্লা খায়দোক্লগা মুস্লিমশিংগী কাশ্মীর, হিন্দুশিংগী জম্মু অমসুং বুধিষ্টশিংগী লদাখ হায়না ষ্টেট অহুম শেম্বগী ৱাফম রাষ্ট্রিয়া স্বয়মসেবক সংঘ (আর এস এস)না মতম কয়াগী মমাঙদগী শৌগৎতুনা লাকখিবনি। হীরম অসিগী মতাংদা অখণ্ড অহৈশিংনা হায়রিবদি ষ্টেট অমগী ঙমখৈ হোংদোক-হোংজিন তৌবগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টনা ৱারেপ লৌদুনা কন্সটিট্যুসন শেমদোক-শেমজিন তৌবা মথৌ তারবসু জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ওইনদি ইন্দিয়ন য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্টনা ওর্দর অমা থোক্লগা লৌখৎনিংবা থৌরাং লৌখৎপা য়াই। কুমজা ১৯৯৯দা শোক্লখিবা কার্গিল ৱার মতমদফাওবা টুরিষ্টশিং কাশ্মীর তম্পাক থাদোক্তুনা চৎখিনবা য়াথং পীখিদে। হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসিদি কুমজা ১৯৯০গী জন্যুৱারীদগীনা এপ্রিল ফাওবদা লালহৌবগী ঈহৌ কনখৎলকপা মতমদা কাশ্মীরি পন্দিট লিশিং-লিশিং জম্মু অমসুং উধম্পুরদা হোংদোকহনখিবদুগা পাংখক ওইরে হায়না লৌনরি। নাকল অমরোমদা, টেররিষ্ট চঙলক্কদৌরে হায়বা পাউ ফংবদগী চেকশিন থৌরাং লৌখৎপনি হায়বা অদুগা অতোপ্পা নাকল অমদনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরবু শরুক অহুম থোক্লা খায়দোক্কদৌরে হায়বা তারবসু কনামত্তনা চপ চাবা ৱাফম খঙবা ঙমদ্রি। পুলিস, পেরামিলিটরি ফোর্সেস, আর্মি, সিক্যুরিটিগী এজেন্সিশিং অমদি এদমিনিষ্ট্রেসনগী মকোক থোংবা ওফিসল অমত্তনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিগী মতাংদা চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমসুং নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিট দোবাল নৎতনা অতোপ্পা মীওই অমত্তনা হীরম অসিগী মতাংদা চপ চাবা মরম খঙগদবা মান্দে। হীরম অসিগী মতাংদা লৈবাক্কী লুচিংবা অমা ওইনা প্রাইম মিনিষ্টর মশামক্না মীয়ামগী চিংনবা কোকহন্নবা শেংদোক-ৱারোল পীফম থোকই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### লাইদা উসব কৎপা

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

শ্রীশ্রী গোবিন্দ, রামজি প্রভু, অরাম্বম নিত্যান্দ, গৌর নগর  নোংমাইচীং, নরসিং মান্দপ কাইনা, সনামহি হয়িং খোংবান অসিনচিংবা লাইফম কয়াদা লৈখিদ্রবশিংগী উসব কৎপদা কনাগুম্বা অহল ওইরবা, মখ্বাং কোল্লবা খরনা খদাংচেৎ লাক্লগা (চিন খুমজিল্লগা) মীয়ামগী থৌগল তৌবগী বালতিন অমগা লোয়ননা খাবৈ পায়রগা এঞ্জাং য়েনবা মতমদা খৌরি চরম, থবাক্তগী হুমাং মচুম মানবা চেন্থরক্তুনা এঞ্জাং য়েল্লিবা বালতিন্দা তাবগী মওং মানবা উজবা য়াওদবা নত্তে। মদু য়েংবদা নুংঙাইজদবগী মওংনি। থোংবা-থাকপা মতমদদি অহল-লমনশিংনা থোংবীরগা য়েংনবীবা মতমদদি নহাশিংনা য়েংবীবনা চাবদা পূক্নিং নুংঙাইনা চাগদ্রা খঞ্জে। মখ্বাং কোল্লবা ইপা-ইপুগুম্বা অহলশিংনা থৌগল তৌরগা মচা-মশুগুম্বনা চাবা হায়বসি য়েংবদা নুংঙাইজদবগী ৱাফমনি। অমরোমদা খল্লুরবদি মমা-মপাশিংনা মচাশিংদা, মশুশিংদা অঙাং ওইরিঙৈদা লোয়ননা নিংঙোল চাক্কৌবদা থৌগল তৌবগুম্বনি হায়না খন্দোকপসু য়াই। লাইগী থৌগল অমদি থোংবা থাকপা অসি নহাশিংনা থৌগল তৌবসি নুংঙাইজদবগী ৱাফমনি।

ৱাফম অমনা লাইফম খুদিংগী চাক্লুক্কী শেল লৌনরি। মীশিংগী মতুং ইন্না চাল্লুক লাংলিবনি। কনাগুম্বা খরনা অঙাং মচা পুরকপা মতমদা অঙাংশিং অদুগা চামিন্নদবীদা থংনবা চাক্লুক্তা ফমহনবা য়াওদবা নত্তে। অঙাং অদুনা চাক্লুক কনবা অদু নুংঙাইতবগী ৱাফম নত্তে, চাক এঞ্জাং অদু অরেম্বদা মাঙহল্লি। মতাং অসিদা অহল-লমনশিংনা হায়নৈ, মীওইবা হায়বসি শক-চু খেন্নবগুম ৱাখলসু খেন্নৈ, থম্মোয় খেন্নৈ হায়নরিবনি। ঐনা তৌরিবা মওং অসি খুন্নাইনা করি খন্নরমগদগে খন্দবা মীওই য়াওদবা নত্তে। মতাং অসিদা নহাশিংনা থোংবা থাকপা অমদি লাকপীরিবা কাঙবুশিংনা অঙাং মচা পুরকপা য়াবগী শিল্লি-লাংলিবা কম্মিটিগী চৎন-কাঙলোন লৈরম্লগদি খঙজদ্রে। চাবদা, য়েংবদা নুংঙাইজদবগী ৱাফমনি।

*অদোমগী - থিংবাইজম ইতোবী, তোপ অৱাং লৈকায়*

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০১

১। মণিপুরী পুৱারীদা কালি তৈখিবা অমতংগা হায়বা তারবদি মহারাজ সুরচন্দ্রগী মচাইবেম্মা সনাতোম্বীনা বর সাহেবতা ওংশিনখিবা অসিনি। অদুবু মাতদি নত্তে, কর্নেল সাহেবনসু কাংঙবম চনু অমা লৌখি। মখোয়বু মাংই হায়দুনা খুন্নাইনা ইন্থোকখিবনি।
(ক) সনাতোম্বীগী মমা ইবেম্মা কৈয়ুম নিংঙোলনো?
(খ) কাংঙবম চনু অদুগী মমিংনা করি কৌই?

২। "প্রেম্না লিংবা জগৎনিদো/পুবনিদো প্রেম্না/পুনবনিদো প্রেম্না/তেংবাল হিংবনিদো প্রেম্না।" পরেংশিংসি কবি মীনকেতন্না হায়রম্বনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "ইশাগী পুন্সিগী শরুক চাম্মগী মনুংদা মরিফুতরাদি চেনা ফাক্তোক্তুনা উৎচরে। শরুক তরারোম অসিদি লোৎশিন্দুনা থমজরগে।" কবি কনানো হায়রিবসি?

৪। "মাগী মাগী নুপীনা/হায়বা ইনবা নুপাশিং/ওইরম্বা য়াই তাত্তৌবা/লোন্না নুপী কোয়বা য়ানবা।" ৱাফমসিনা 'চিল্লো পামজনা' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমদগীনি। অইবী অদু কনানো?

৫। "তাইবঙ কৈথেল কারকপদা/পুন্সি লল্লোনবা লাকপদা/শেন্দোং তানগে খল্লুবা/শেল্লেপ মাঙদুনা হন্দৌরে।" ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লৌমীশিংগী কাখল

## পান্বীশিংবু লৈশৌদগী ঙাকথোক্লবা পান্বৈশিং

**ডো: এম থোইথোই**

লৈশৌবু ককচেং অঙৌবা হায়রগসু খঙনৈ। মসিনা মখল কয়াগী পান্বীশিংবু মাঙহন তাকহল্লি। লৈশৌপুঙ শেম্বদা নত্তনা লৈশৌশিংনা লৈনুংদা মকোন শাই। মকোন চঙফম অমসুং লৈরিকশিংনা কুপশিল্লবা লৈশৌ পান্বী হোগাইদুনা য়েংবদা মখুন্দুদগী থোকখিবা অমসুং চঙলকপা ময়াম অমনা মফমদু কুপশিনখ্রগদবা মাল্লি। মখল খেন্নবগী মতুং ইন্না মকোন শাবগী মওং খেন্নৈ। অদুবু মখল অমবু ওইরবসু অতোপ্পা অমবু ওইরবসু কাঙলুপ অমগী রানি, নিংথৌ, লান্মীশিংদা নত্তনা মশীং য়ামখ্রবা মপূং ফাদ্রিবা লাবা অমোমশিং (কমপ্লিমেন্টরি ফোর্মস) লৈ।



রানি লৈবা মফমদু য়ৌনবা হীদাক কাপকনি। য়ৌবা ৱাগদবা লৈরবসু য়োৎচৈ অমনা থিন-থিন্দুনা মখুন-মখুন শেম্বীগনি। মতুংদা Chlorpyriphos 20% EC মিলিলিটর অমা ঈশিং লিটর খুদিংদা য়ানবীরগা মকোন্দু পুমচোৎ চোৎনবা কাপথোকপীগনি। উচে-খাঙ ৱাখোঙদা ওইরগসু খরা শেংদোকপীরগা কাপথোকপীবা য়াই। রসায়নগী ওইবা হীদাকশিংগী মনুংদা Chlorpyriphos পু লৈশৌগীদমক য়াম্না পাম্না শীজিন্নবগী মরমদি হীদাকসিগী fumigant action লৈবনা হীদাক শীজিন্নরিবা মফমদুগী কাচিন কোয়া য়ৌশিনবা ঙম্মী। হীদাকসিগী contact cum stomach action লৈবনা  লৈশৌশিংবু হাৎপদা লায়হল্লি। তীলসিগী Acetyl cholin-esterase enzyme বুসু লাকথদুনা তীলসিগী শিংলি নাওরিদা অকায়বা পী, হাৎপদা লায়হল্লি। খুদোংচাদবা হায়ববু মাগী কল্লবা মনম অমসুং লৈবাক লৈশাদুদা নৎত্রগা মফমদুদা হীদাক শরুক মতম খরা লৈহৌবদুনি।

ঐখোয়না থাজরিবা মখল কয়াগী এঞ্জাং-নাপীদা নত্তনা পান্বী মখল কয়া অমসু চাওর-চাওরবা উহৈ-ৱাহৈনচিংবা পান্বী কয়াগী মখোঙ চিকথৎপা অমসুং মউশিং ফাওবা চাথোক্লিবনি। লৈশৌশিংনা হৌরিবা উপান্বীগী মখোঙদগী হৌরগা অয়ান্বা পান্বীগী মউ পূম্বা কুপশিনখিবা য়াওই। পংকুই কুইদনা পান্বীশিংদুবু ইরায় লায়না হাত্তোকই। মসিদা নত্তনা লৈনরিবা য়ূম, শঙ্গাই, ষণগোল অমসুং কোটনচিংবদসু লৈশৌ শৌগত্তুনা য়ূম্বী অতেনবা মতম খরগী মনুংদা তেক কায়বা হায়বদু ওইহল্লি।

ঙাকথোক্লবা পান্বৈশিং ঃ লৈশৌ শৌগনবা ইঙ্খোলশিংদা মপূং ফানা পথ্থ-পুমথদ্রিবা পোৎলমশিংবু হার ওইনা শীজিন্নবীরোইদবনি। অশং অমানগী হার হায়না খঙনরিবা গ্রীন মেন্যুওরিংগী থৌরমসু পাঙথোকপীরোইদবনি। মসিনা লৈশৌশিংগী মচিঞ্জাক নীংথিনা পীবগা লোয়ননা লৈশৌগী কাঙলুপ মশীং হেনগৎহনবদা মতেং য়াম্না পাঙই।

হৌজিক্তি লৈশৌ হাৎননবা পোৎলমশিং মরাং কায়না ফংলে। অতেনবা মতম খরগী মনুংদা লৈশৌ হাৎতোক্লবা Chlorpyriphos শীজিন্নবা য়াই। রসায়নগী ওইবা হীদাকশিং পামদে হকচাং শোকই, মনম কল্লি হায়রগসু লৈশৌবু হাৎপা ঙম্বা কোকফাই অমসুং বেক্টেরিয়াশিংবু য়োক্লগা শেম্বা (হীদাক) Biotercel নৎত্রগা Pacer  (Metarhizium anesopliae) 1.15% WP শীজিন্নবিবা য়াই। তৌবতদি লৈশৌ হাৎপদা মতম খরা হেন্না চঙই।

রসায়নগী ওইবা হীদাক শীজিন্নবা ঃ হীদাক শীজিন্নদুনা লৈশৌ হাৎপা হায়বসিদা অউ-অউবা লৈশৌ তীলশিংদং হাৎলগা থবক্তুদা মায় পাক্কদবা নত্তবনিনা লৈশৌ মকোন্দা লৈরিবা রানি য়াওনা হাৎপা তাই। অদুমকপু, পাক্লবা ইঙ্খোলদুদা লৈরিবা লৈশৌপুঙ থিবা অরায়বা নত্তে। মখল খেন্নবগী মতুং ইন্না মকোন খুশা খেন্নৈ। লৈবাক মথক্তা শাবা, লৈনুংদা শাবা লৈশৌ লন্বী থিদোকপা হায়বসি অরায়বা নত্তে। মিটর চা কয়া শাংবা লৈশৌ লান্বী থিদোকপা হায়বসি অরায়বা নত্তে।  অদুম ওইনমক কুপথনা থিজিনবীদুনা রানি লৈবা মফমদু য়ৌনবা হীদাক কাপকনি।

রসায়নগী ওইবা হীদাকশিং পামদবা মীগী মশীং নুমিৎ খুদিংগী হেনগৎলক্লি। Chlorpyriphos  শীজিন্নবা পামদ্রবসু লৈশৌ তীল হাৎপা ঙম্বা অহিংবা কোকফাই অমসুং বেক্টেরিয়া য়াওবা Biotercel/Pacer ওইনা শীজিন্নবিবা য়াই। হায়রিবা ওর্গানিজমশিংসি য়াওবা মফোল ওইনা ফংবা হীদাকসি গ্রাম ২০ ঈশিং লিটর খুদিংদা য়ানশিনবীরগা মফমশিংদু অমসুং লৈশৌ তীলশিংদু পান্নবা কাপথোকপীগনি। লৈশৌ তীলশিংদা পাল্লবা মতুংদা তীলশিংদু নারকই। মসিদা নত্তনা শিফাত্রিবা, কোইচৎ চৎতুনা লৈরিবা লৈশৌ তীলশিংনা কোকফাই অমসুং বেক্টেরিয়াশিংদু ঐখোয়না য়ৌহনবদা ৱারবা লৈশৌ মপী লৈরিবা মফমদু য়ৌনা পুশিনখি। লৈশৌ পুঙদুদা লৈরিবা লৈশৌ কাঙলুপ্তুমা তুম্না হাৎপা ঙমহল্লি। খুদোংচাদবা অমনা লৈশৌ তীলশিং নোংমা নীনিগী মনুংদা শিবা হায়বদুদি ঙমদে। মতম চঙই। মরম অসিনা নুমিৎ ২১ কান্ননা অহুম্লক কাপথোক্লবদি মপূং ফানা কান্নবা ফংই।

চেকশিনবীগদবা অমনা Biotercel/Pacer কাপখ্রবা মফমদুদা মতম খরগী ওইনা কোকফাই হীদাক (Fungicide) অমসুং বেক্টেরিয়া হাৎনবা হীদাক (Bactricide) শীজিন্নবীরোইদবনি। হায়বদি হায়রিবা হীদাকশিংসিনা Biotercel/pacer দা য়াওরিবা জীবশিংবু ইরায় লায়না হাৎতোকপা ঙম্মী। কূপ্না অমসুং মুন্না খন্থরগা লৈশৌ তীল হাত্তোক্তুনা মখল কয়াগী এঞ্জাং-নাপী অমদি মখল কয়াগী ইঙ্খোলগী পোথোক হেনগৎহনসি, মদুদগী ফংগদবা শেন্দোংশিংবু লৈশৌনা চাথোকখিগদবদগী কনসি হায়বা ৱাফমসি থমজনীংই। ●

# ব্রোইলরদা প্রোবাইওটিক্স পীজবগী কান্নবা

**সরাংথেম জেসমারানি**

প্রোবাইওটিক্স অসি অহিংবা হিংকুপশিংনি। মসিবু চাং নাইনা পীজরবদি ব্রোইলরশিং মশা ফনা লৈবা ঙমহল্লি। প্রোবাইওটিক্সতি হিংকুপ ওইরগসু হু চেন্দে, ব্রোইলরশিংগী মশাদা কান্নবা কয়া পীবা মখল অমনি। ব্রোইলর মচিঞ্জাক্তা হাপ্লগা পীজরীবা প্রোবাইওটিক্সতি খুদম ওইনা হায়রবদা লেগটোবেসিলস, স্ত্রেপাটোকোকস বেসিলস, বিফিদোবেকটিরিয়ম, এন্টিরোকোকস, এসপরসিলস, কেনদিদাসেক্লোসাইসিস অসিনচিংবা ময়াম অসিনা ব্রোইলরগী মপূং মরৈ ফাবদা অমদি লায়না চেলহন্দবদা অচৌবা মতেং পাংই। য়েনগী থীরিন্দা অফবা অমদি ফত্তবা হিংকুপ ময়াম অমা লৈরি। করিগুম্বদা য়েনশিং মফম অমদগী অমদা পুথোক পুশিন তৌদুনা য়েনশিংদা অৱাবা কয়া পীরি অমদি মচিঞ্জাক চাবা হন্থহন্দুনা লায়না কয়া থোকহল্লি।

য়েনাও ওন্নবা মরূম কোনবসি নুমিৎ ২১নি চঙই। মসিদা নুমিৎ ১৮ শুরবা মতমদা য়েরূম মনুংদা লৈরিবা য়েনাওগী চাকখাওদা এসিদ থোকপা হৌরকই অমদি থীরিন্দা হিংকুপশিং পূনশিন্দুনা লৈবা হৌরকই। মরম অসিনা য়েনাও হেক ওনবগা প্রোবাইওটিক্স পীজবসি য়াম্না মথৌ তাই।

প্রোবাইওটিক্সকী থৌদাং :-

প্রোবাইওটিক্স পীজবসি ঙল্লিঙৈ মতমদা পীজবনা হেন্না ফৈ। মরমদি অফবা মখলগী হিংকুপশিংসি পূনশিন্দুনা হেন্না মশীং হেনগৎহন্দুনা থীরিন্দা লৈদুনা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙমহল্লি অমদি য়াম্না থুনা মপূং মরৈ ফাহনবা ঙমহল্লি। করিগুম্বা য়েনশিংনা মখোঙ হামথদুনা নারকপা তারগদি হান্না লৈরম্লিবা অফবা মখলগী হিংকুপশিংগী মশীং হন্থহল্লি। মরম অসিনা এন্টিবাইওটিক্স পীজবা লোইরবা মতুংদা অফবা হিংকুপশিং মরাং কায়না লৈহন্নবা প্রোবাইওটিক্স পীজবগা অফবা মখলগী হিংকুপশিংগী মশীং হেনগৎহল্লগা ফত্তবা হিংকুপশিংগী চাং হন্থহল্লি।

য়েনগী মচিঞ্জাক্তা প্রোবাইওটিক্স অসি হাপ্তুনা পীজরবদি য়েনগী থীরিন্দা হান্নদগী লৈরম্বা ফত্তবা হিংকুপশিংগী হিদান্নরকপদা ফত্তবা হিংকুপশিংগী লৈফম লৈতদুনা মশীং হন্থহল্লি। খুদম ওইনা হায়রবদা য়েন্দা মথী ফাইহল্লিবা এন্টিরোটোসিস ঈ কোলি অসি ঐখোয়না লেগটোবেসিলাই পীজরগদি ঈ কোলিগী চাং হন্থহল্লি।






প্রোবাইওটিক্সকী হিংকুপশিংসি থীরিন্দা লৈতানা লৈরবা মতুংদা মখোয়না লেগটোফেরিন লাইসোজাইন হাইড্রোজেন পরওক্সাইদ অমদি অতোপ্পা ওর্গানিক এসিদ ময়াম অমা পুথোকই। মসিদা ফত্তবা হিংকুপশিংগী মশীং হন্থহনবতা নত্তনা পি ঐচগী চাং হন্থহল্লি।

প্রোবাইওটিক্স পীজবনা ব্রোইলরদা কান্নবা :

ব্রোইলর মচিঞ্জাক্তা প্রোবাইওটিক্স পীজরগদি ব্রোইলরশিংসি য়াম্না থুনা চাউগল্লি, শিবগী চাংসু হন্থরকই। রিছার্স ফাইন্দিংগী মতুংইন্না প্রোবাইওটিক্স পীজবনা নুমিৎ ৪৭শুবা মতমদা পীজদবদগী গ্রাম ১৩০গী চাংদা লূম্বা হেনগৎহল্লি অমদি শিবগী চাংসু চাদা ২গী চাংদা খক্তা ওই। প্রোবাইওটিক্স মখল অমা নৎত্রগা ময়াম পূনবা পীজবনা নোংমগী লূম্বগী চাংসি চাদা ৪ হেনগৎহল্লি।

প্রোবাইওটিক্স করম্বা মতমদা পীজগনি :

ব্রোইলরদা প্রোবাইওটিক্স অসি য়োকপা হৌবদগী য়োনদ্রি ফাওবগী মনুংদা তাঙ্কক তাঙ্কক নাইনা পীজবা য়াই। মার্কেটতা মখল কয়াগী প্রোবাইওটিক্স ফংই। রিছার্স ফাইন্দিংগী মতুংইন্না প্রোবাইওটিক্স অসি মতম হন্থনা পীজবসু য়াই।

য়েনাও পুরকপা নুমিৎতগী নুমিৎ ১০নি ফাওবা প্রোবাইওটিক্স পীজবীরগা অনীশুবা বুষ্টরগী টিকা কাপ্লমদাইদা হায়বদি নুমিৎ ১৯-২১ ফাওবা অমা অমদি মচিঞ্জাক হোংদোকপা মতমদা হায়বদি নুমিৎ ২৬-৩১ ফাওবা অমা অমদি য়োনগদবা নুমিৎ ৬নি ৱাৎলিঙৈদগী য়োনবা ফাওবা পীজবদা হান্না প্রোবাইওটিক্স পীজবগা, পীজদবগা চাংদম্নবদা পীজবনা চাদা ১২গী শেন্দোং হেনগৎহল্লি।

ব্রোইলর লোইবিরিবা খুদিংমক্লা য়েনাও হেক পুরকপগা এন্টিবাইওটিক্স পীজবগী মহুত্তা প্রোবাইওটিক্স ওইনা পীজদুনা ব্রোইলরগী শিবগী চাং হন্থহনবদা নত্তনা শেন্দোং হেন্না লৈবা ঙমহল্লি। ●